### এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট

# নাপসা অমদি এন সী এ গ্রুপকী মকোক্তা লৈখ্রে




ইম্ফাল,জান্যুৱারী২৫(ঐচএনএস):
মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরিবা ৭শুবা এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি তোঙান-তোঙানবা মফম অনীদা শান্নখিবা মেটচ অনীদা মায় পাক্তুনা নাপসা খা-ইম্ফালনাগ্রুপ এগীঅদুগাএনসী এ নিংথৌখোংনা গ্রুপ বিগী টেবলগী মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে।

নাপসানা মেটচ ৬ শান্নবদা ৬মক মায় পাক্তুনা পোইন্ট ১২ ফংলগা গ্রুপ এগী টেবলগী মকোক্তা লৈরি অদুগা এন সী এনা মেটচ ৭ শান্নবদা ৬ মায় পাক্লগা ১ মায়থীদুনা পোইন্ট ১২ ফংলগা গ্রুপ বিগী টেবলগী মকোক্তা লৈরি।

লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেডিয়মদা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা নাপসা খা-ইম্ফালনা ৱাই পি ঐচ য়ু ললাম্বুংবু লাকচনা রন ২৫২দা মায়থীবা পীখ্রে।

ৱাই পি ঐচ য়ুনা টোস ঙমদুনা অহানবা ফিল্ডিং খনখি। নাপসানা অহানবা ইন্নিংসকী বেটিং তৌবদা অপীবা ওভর ৪০দা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ৩০৯ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা ৱাই পি ঐচ য়ুনা ওভর ২০.৪দা ওল আউট ওইদুনা শুপ্নগী রন ৫৭ লৌদুনা নাপসাগী মখূৎতা রন ২৫২দা মায়থীখি।

মেটচ অসিদা নাপসাগী বেটসমেন রিচার্দ ক্ষেত্রিময়ুমনা বোল ৫১দা রন ৬৮, মীতমঙানবা চিংথামনা বোল ৬৯দা রন ৫৭ অমদি বিজে কারন য়ুম্নামনা বোল ৪২দা রন ৫৫ লৌদুনা বেটসমেনগী খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্সশিং পীখি।

নাপসাগী বোলর লাইশ্রম ইলেক্ট্রোনিকনা ওভর ৭ লংবদা ৱিকেট ৪, নেপ্রম রিচরনা ওভর ৬ লংবদা ৱিকেট ৩ অমদি বিপিন নিংথৌজমনা বোল ৪ লংবদা ৱিকেট ১ লৌদুনা বোলর্সকী খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্সশিং পীখি।

লোইশিল্লকপদা নাপসাগী ওল রাউন্দর লাইশ্রম ইলেক্ট্রোনিকনা অহানবা ইন্নিংসকী বেটিং তৌবদা বোল ৩৭তা রন ২৩ অদুগা অনীশুবা ইন্নিংসকী ওভর ৭ লংবদা ৱিকেট ৪ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংখি।

অমরোমদা, মোদেল হায়র সেকেন্দরি অমদি ওরিয়েন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা এন সী এ নিংথৌখোংনা আই বি এস এ য়ুম্নাম লৈকাইবু রন ৫১দা মায়থীবা পীখ্রে।

এন সী এ নিংথৌখোংনা অহানবা ইন্নিংসকী বেটিং তৌবদা অপীবা ওভর লোইগদবা বোল ১০ ৱাংলিঙৈ ওল আউট ওইদুনা রন ২৩১ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা আই বি এস এনা অপীবা ওভর ৪০দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১৮০ লৌদুনা এন সী এগী মখূৎতা রন ৫১দা মায়থীখি।

মেটচ অসিদা এন সী এগী সিনোজ খ্বাইরাকপমনা অনীশুবা ইন্নিংসকী বোলিং তৌবদা ওভর ৬তা ৱিকেট ৩ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

# ষ্টেট থাঙ-তা টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল,জান্যুৱারী২৫(ঐচএনএস):
টামিল নাদুনা য়ূম্বু ওইদুনা কন্যাকুমারীগী সী এস আই হোলদা ফেব্রুৱারী ১দগী ৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৮শুবা নেসনল সব-জুনিয়র অমদি সিনিয়র থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপতা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগদবা শান্নরোয় ৬৭ অমদি ওফিসল ৬ পূন্না মীওই ৭৩না শাবা ষ্টেট টিম ঙসি ময়াং ইম্ফালগী এম এল এ কোংখাম রোবিন্দ্রোনা পেলেস কম্পাউন্দদগী লমথাদুনা ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ষ্টেট টিমগী ওফিসলশিং অদুদি নোংথোম্বম নোরেন মৈতৈনা টিম মেনেজর, লাইথাংবম চন্দ্রমণিনা এসিষ্টেন্ট টিম মেনেজর, নাওরেম দেবাজিৎনা টিম কোচ, লাইশ্রম রাহুলকুমারনা এসিষ্টেন্ট টিম কোচ, কোঞ্জেংবম থোইবীনা নুপীগী টিম কোচ অমদি ওক্রম বোবীনা নুপীগী এসিষ্টেন্ট টিম কোচ ওইনা শরুক য়ারি।

ষ্টেটকী শান্নরোয়শিং অসিনা তোঙান-তোঙানবা ইভেন্ট অনী-ফুন্নবা অমদি কাঙলোন চৎপদা শরুক য়াগনি। ফুন্নবা ইভেন্টকী মনুং চন্না ফুন্নবা-অমা অমদি ফুন্নবা অনীশুবা অদুগা কাঙলোন চৎপা ইভেন্টকী মনুং চন্না থাঙ হাইবা, থাঙলোন অমদি খোঙলোন-খূৎলোননচিংবদা শরুক য়াগনি হায়রি।

লমথাবগী থৌরম অদুদা হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএসন মণিপুরগী থৌমীশিংসু শরুক য়াখি।

### ৪শুবা চন্দ্রনদি ট্রোফি ফুটবোল

# সনা এফ সী অমদি ওল ষ্টার ক্বার্টর চঙখ্রে



ইম্ফাল,জান্যুৱারী২৫(ঐচএনএস):
হাওরৈবী নোরদর্ন ষ্টার ক্লব (ঐচ এন এস সী) অমদি হাওরৈবী অপূনবা এফ সী অনীনা খূৎশম্নগা শীন্দুনা হাওরৈবী কাংজৈবুংদা চথরিবা ৪শুবা চন্দ্রনদি ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অনীদা মায় পাক্তুনা সনা এফ সী থৌবাল অমদি ওল ষ্টার ক্যামগৈ ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

হাওরৈবী কাংজৈবুংদা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা সনা এফ সী থৌবালনা আই টি এফ সী উচিৱাবু ৪-২দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

দোনাল্ডোনা শান্নবা হৌরকপগী ৮শুবা মিনটতা থৌবাল টিমগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। রাহুলনা অহানবা হাফ লোইরমদাই শান্নবগী ৩০ শুবা মিনটতা গোল ১গা হাপচিন্দুনা সনা এফ সীনা উচিৱা টিমবু ২-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফতা দিলবর্গনা শান্নবগী ৩৩ শুবা মিনটতা সনা এফ সীগী ৩শুবা গোল চনবা ঙমখি। শিতলজিৎনা মেটচ লোইরমদাই শান্নবগী ৬০ শুবা মিনটতা থৌবাল টিমগী মায় পাকপগী ৪শুবা গোল চনখি। মহাক রেফরিনা শান্নবগী ৫১ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখিবনি। উচিৱা টিমগী গোল অনী অদুনা ময়ানন্দ অমদি শিতলনা শান্নবগী ৩৭ অমদি ৫২ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা ৪শুবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ওল ষ্টার ক্যামগৈনা কে টি ৱাই দল্লিয়ু এ কৈনৌবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

ওল ষ্টারগী মায় পাকপগী গোল অনী অদু এল ঙৌবা অমদি ন্যুটননা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৪৯ অমদি ৫৯ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। কৈনৌ টিমগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা ধাকেশ্বরনা মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জ্যুরি টাইমগী অহানবা মিনটতা চনখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরিনা ওল ষ্টারগী অঙম্বা, ন্যুটন অমদি ঙৌবা অদুগা কৈনৌ টিমগী নবচন্দ্র অমদি ধনচন্দ্রবু য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

### ১৫শুবা সির্তি ফুটবোল টুর্নামেন্ট লোইশিনখ্রে

# জাফৌ-এনা ওপনগী, চাংনেনা ভেটরানগী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল,জান্যুৱারী২৫(ঐচএনএস):
সির্তি ওলিম্পিক্স এসোসিএসন (এস ও এ)না শীন্দুনা চথরকপা ১৫শুবা সির্তি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি লিৱা সরৈ ভিলেজ প্লেগ্রাউন্দদা লোইশিনখিবগা লোয়ননা জাফৌ-এনা মেন্স ওপন কেটগোরি অদুগা চাংনেনা ভেটরান কেটগোরিগী ৱিন্নর ওইখ্রে।

ওপন কেটগোরিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা জাফৌ-এনা মোন্সাং পান্থা য়ুঠ কলচরেল ক্লবপু ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি।

দল্লিয়ু রোজরনা শান্নবগী ২১ শুবা মিনটতা জাফৌগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। এস ঐচ মার্কোনিনা শান্নবগী ২৮শুবা মিনটতা জাফৌগী অনীশুবা গোল চনখি। মহাক্না মখা তানা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৫১ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী ৩শুবা গোল চনখি।

মোন্সাং পান্থাগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা হেনরিনা শান্নবগী ৭৯শুবা মিনটতা চনখি। মেটচ অসিদা রেফরি মিন্থারবিরনা জাফৌগী দেভিদ অমদি মোন্সাং পান্থাগী বিশ্বরজিৎ অনীবু য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অমরোমদা, ভেটরান কাঙলূপকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা চাংনেনা লিৱা চংনিংবু টাই ব্রেকতা ৪-৩দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

টিম অনীনা অপীবা মতমগী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখি। মখা তাবা টাই ব্রেকতা লিৱা চংনিংগী মায়কৈদগী শান্নরোয় ৩-জিমসন, এলভিস অমদি এংগ্রিপানা গোল ওন্থোকপা ঙমখি অদুগা চাংনেগী মায়কৈদগী শান্নরোয় ৪- বেঙমসিং, মোনিংকা, কোলেং অমদি থৌজানটিননা গোল ওন্থোক্তুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

লোইশিনবগী থৌরমদা ইন্সটিট্যুসনেল ফাইনান্সকী দিরেক্টর অনা অরাম্বমনা অথোইবা মীথুংলেন, সির্তি উপা রুগী প্রসিদেন্ট এন জি বেনিংথাং মোন্সাংনা থৌরমমপু অদুগা মোন্সাং ওফিসর্স এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ মোভরসিননা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

### ৬শুবা এ আই এফ এ ট্রোফি

# ৱাংজিং এফ সী সেমীফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ২৫(ঐচএনএস):
ইরেংবন্দ গ্রাউন্দদা চথরিবা ৬শুবা এ আই এফ এ ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৱাংজিং য়ুনাইটেদনা তাতোন এফ সীবু টাই ব্রেকতা ৫-৪দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

টিম অনীনা অপীবা মতমগী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখি। রেফরি কে ঐচ ইবুংঙোনা তাতোন এফ সীগী পামেশ্বরবু শান্নবগী ২৪ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি।

মখা তাবা টাই ব্রেকতা ৱাংজিং এফ সীগী মায়কৈদগী উমাকান্ত, বোরিশ, রাজবোই, জয়চন্দ্র অমদি কিষননা গোল ওন্থোক্তুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

### প্রধান ট্রোফি

# তোম্বা অমদি অপুগী গোলনা ব্রদর্স এফ সী সেমীফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী২৫(ঐচএনএস):
হয়েল য়ং পোপ্যুলর ক্লবনা শীন্দুনা হয়েল গ্রাউন্দদা চথরিবা প্রধান ট্রোফি ৬শুবা ষ্টেট লেভেল ৯-এসাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা তোম্বা অমদি অপুনা চনখিবা গোল ২/২গী মতেংনা ব্রদর্স এফ সীনা য়াইওইবী এফ সীবু ৪-০দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

তোম্বনা শান্নবা হৌরকপগী ৫শুবা মিনটতা ব্রদর্স এফ সীগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৭৪ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী ৩শুবা গোল চনবা ঙমখি।

অপুনা শান্নবগী ৪০ শুবা মিনটতা ব্রদর্স এফ সীগী অনীশুবা গোল চনখি। মহাক্না মখা তানা মেটচ লোইরমদাই শান্নবগী ৮০ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী ৪শুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরি গম্ভীরনা য়াইওইবী এফ সীগী রাইওহিরোইবু অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৬২ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখি।

মেটচ অসিদা হরিমোহোন অমদি অশোকনা এসিষ্টেন্ট রেফরি ১ অমসুং ২ অদুগা রোবিননা ফোর্থ ওফিসল ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা ইরাই নুমিৎতা মখা তাবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং শান্নরগনি।

### ৪২শুবা সী এস দি এস এ স্পোর্টস মীট লোইশিনখ্রে

# ফোলসনগী গোলনা চকপীকারোং ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল,জান্যুৱারী২৫(ঐচএনএস):
চকপীকারোং সব-দিভিজন স্পোর্টিং এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরকপা ৪২ শুবা সী এস দি এস এ স্পোর্টস মীট ঙসি চকপীকারোং পব্লিক প্লেগ্রাউন্দদা লোইশিনখ্রে।

ফুটবোল মশান্নগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এন এল ফোলসননা চনখিবা গোল ৪গী মতেংনা চকপীকারোং য়ুঠ ক্লবনা খুবুং খুনৌ নোবোকোমবু ৪-০দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

ফোলসনগী অহানবা গোল অদুনা শান্নবা হৌরকপগী ৫শুবা মিনটতা চনখি। মহাক্কী অনীশুবা গোল অদুনা অনীশুবা হাফ হৌরকপগী ৪৬ শুবা মিনটতা চনখি। মহাক্কী হেটট্রিক অমদি মায় পাকপগী ৪শুবা গোল অদুনা শান্নবগী ৭০ অমদি ৮০শুবা মিনটতা চনখিবনি। মহাক্না টুর্নামেন্ট অসিগী তোপ স্কোররগী মনাসু ফংবা ঙমখি।

চকপীকারোং য়ুঠ ক্লবনা বেষ্ট টিমগী মনা ফংবা ঙমখি। টিম অসিগী গোলকিপর ঐচ বি বেসিঙমনা বেষ্ট গোলকিপরগী মনা ফংখি অদুগা কে কে এন ৱাই সীগী এস আর ফভালনা বেষ্ট প্লেয়রগী মনা ফংখি।

অমরোমদা, ভোলিবোল মশান্নগী নুপাগী কাঙলূপ্তা নুংকাচীং য়ুঠ ক্লবকী এস কে প্রেসন লমকাংনা বেষ্ট শেট্টর অমদি লমকাং খুনয়াই য়ুঠ ক্লবকী এস কে ষ্টারসন লমকাংনা বেষ্ট স্পাইকর তাখি।

নুপীগী কাঙলূপ্তা লমকাং খুনয়াই য়ুঠক্লবকী থোলুং লিদিয়ানা বেষ্ট শেট্টর অমদি ক্লব অসিগী এস কে এলিসানা বেষ্ট স্পাইকরগী মনা ফংখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা সী আর পি এফকী এসিষ্টেন্ট কম্যান্দেন্ট ছাপা নুলা ভিমনা অথোইবা মীথুংলেন, সী আর পি এফকী ইন্সপেক্টর ছাপা আর দি অশেমভালনা অখন্নবা মীথুংলেন অমদি ছালা আরদিৱানখুরিংনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা মকোক-মথং তাখ্রবশিংদা মনা-মথুম য়েন্থোকখি।

# দি এস এ য়ুঠ লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,জান্যুৱারী ২৫(ঐচএনএস):
দি এস এ ককচীংনা শীন্দুনা অনীশুবা দি এস এ য়ুঠ লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ফেব্রুৱারী ২শুবা চয়োলদগী হৌদুনা পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী এদমিসন ফীনা লুপা লিশিং ৫ ওইগনি। ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতম্না ফেব্রুৱারী ৯ অদুগা মেনেজর্স মীটিংনা ফেব্রুৱারী ১১গী অয়ূক পুং ৯দা দি এস এ ককচীংগী ওফিসতা পাঙথোক্লগনি। শরুক য়াগদবা ক্লবশিংগী রিন্যুএল ফীনা লুপা লিশিং ৫ ওইগনি অমদি ফেব্রুৱারী ৬ ফাওবগী মনুংদা পীথোক্কদবনি হায়রি।

# মণিপুরনা নোর্থ জোনেল ব্লাইন্দ ফুটবোলদা শরুক য়ারগনি


ইম্ফাল,জান্যুৱারী২৫(ঐচএনএস):
ইন্দিয়ন ব্লাইন্দ ফুটবোল ফেদরেসননা শীন্দুনা অরুনাচল প্রদেশতা থা অসিগী ২৮দগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা অৱাং-নোংপোক্কী ব্লাইন্দশিংতগী ওইবা ৪শুবা আইবিএফএফ নোর্থ জোনেল ব্লাইন্দ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৩দা মীওই ১৩না শাবা ষ্টেট টিম শরুক য়ারগনি হায়না স্পোর্টস এসোসিএসন ফোর ভিজ্যুএল্লি ইম্পেয়্যর মণিপুরগী সেক্রেটরি খুন্দ্রাকপম প্রেমজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি লমদেং মখা লৈকাইদা লৈবা পাইওনর ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবা অমদা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তারদুনা হৌজিক-হৌজিক ব্লাইন্দশিংগীদমক নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা ফুটবোল মশান্না অসিদা শরুকয়ানবগী খূদোংচাবা লৈরে। অদুবু ইরমদম মণিপুর অসিদদি ব্লাইন্দশিংগী চপ চাবা প্লেগ্রাউন্দ লৈতবনা অৱাবা অমদি খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। মসিগী মথক্তা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুকয়ানবগীদমক মথৌ তাবা পোৎ-চৈ অমদি শেলগী অৱাবা চাওনা মায়োক্লরি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু হৌজিক ফাওবগী ওইনা মতেং অমত্তা ফংবা লৈত্রি হায়খি।

শান্নরোয় ৯ অমদি ওফিসল ৪ পূন্না মীওই ১৩না শাবা ষ্টেট ব্লাইন্দ টিম অসি থা অসিগী ২৭তা ইম্ফাল থাদোক্লগনি।

### HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 698**

M. Hoerr (2077) - FM V. Cofman (2269)

Bremen Silvester Open A Bremen GER, 2022.12.27

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 e6 | 2.d4 d5 | 3.Nd2 c5 | 4.exd5 Qxd5 |
| 5.Ngf3 cxd4 | 6.Bc4 Qd6 | 7.O-O Nf6 | 8.Nb3 Nc6 |
| 9.Nbxd4 Nxd4 | 10.Nxd4 a6 | 11.c3 Qc7 | 12.Qe2 Bd6 |
| 13.Bg5 Bxh2+ | 14.Kh1 Bf4 | 15.Bxf6 gxf6 | 16.g3 Be5 |
| 17.f4 Bxd4 | 18.cxd4 b5 | 19.Bb3 Bb7+ | 20.Kh2 O-O |
| 21.f5 Kh8 | 22.Qh5 Rg8 | 23.Qh4 Rg5 | 24.fxe6 fxe6 |
| 25.Rxf6 Rag8 | 26.Rg1 Rg4 | 27.Qh3 Rxd4 | 28.Qh6 Qe5 |
| 29.Rf7... | | | |

**QUESTION :**
Black to checkmate

**Puzzle 697 Ans. :**
40. Nf6+ The white knight clears the way for White's rook to the rook. Rxf6 41. Rxd8 The white rook deflects Black's queen away from protecting the pawn and the square g7. Qxd8 42. Qxh6+ Kg8 43. Qg7# Damiano's knight mate
1-0

GLOBAL SPOKEN ENGLISH & DOT COM COMPUTER

G ENGLISH COMPUTER
Govt. Regd. No. 2102 of 2012

BEHIND POLOGROUND, GAURAHARI MARKET, PAONA BAZAR, IMPHAL NEAR HOTEL KRISHTINA

Many Students were certified and eligible for applying Job

Online or Offline Class Available

Computer Certificate Course is compulsory for both Govt. & Pvt. Job
ENROLL NOW

Timing :- 5:30 am, 7:00 am, 9:00 am, 4:00 pm

Computer Course
BCC
CCA
DCA
DTP
CCP
Taly with GST
Data Entry
Multimedia
Office automation
Business Package Etc.

Admission Open for Jan/Feb 2023

Spoken English
Classes for Groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students
Grammar, Pronunciation, Group discussion, Public speaking, Vocabulary
Instructor:-
Sir Tejkumar (Teaching Since1987) (English)
Alice Thokchom (English)
Sir Bidyananda (Computer)

For registration contact us -
Call - 8132904426 (English)
Call Or Whatsapp On 8415016049 (Computer)
Email on : Globalspokenanddotcom@gmail.com

HL-B/7933/4/12-3/02

LOAN AVAILABLE



EMPLOYMENT NEWS

| Sl. no | POST | QUALIFICATION | VAC | SALARY | AGE | BRANCH |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. | G.M / Manager | Graduate + 3yrs exp. | 2+2 | Negotiable | 30-35 | H.Q |
| 2. | Office Assistant | 10+2 (Computer Know) | 2+2+2 +2+2 | Negotiable | 18-25 | Sekmai, Samurou, Thoubal, Kakching, Nambol, Moirang |
| 3. | Grade-IV | VIII Passed | 3 | Negotiable | 18-25 | H.Q |
| 7. | Driver (Car/Tata) | 3 to 5 yrs. experience | 5 | Negotiable | 18-25 | H.Q |
| 8. | Mechanic(2/W & 4/W) | VIII Passed | 3+2 | Negotiable | 18-35 | H.Q |
| 9. | Security/GUNMAN | VIII Passed | 5 | 6,500-15,500 | 18-25 | H.Q |



L.G. MOTORS FINANCE
CONTACT No.:- 9774495994/8731978490
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI(H.Q),IMPHAL
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING,IMPHAL WEST,MANIPUR
OFFICE HOUR:
10.00AM TO 4.30PM

HL-P/5805/2/26/1-1/3(alt)

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)

SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College,Imphal
Admission Open
FOUNDATION COURSE for CLASS -IX & X (BOSEM)
17th February, 2023
4:00pm-7:30pm
Faculty members for class X




Form available at:
1. 'SANGAI HOSTEL' Kwakeithel Ningthemkol, Opp. Kwakeithel Tiddim Ground.
2. Office of SANGAI TUTORIAL, Kwakeithel near Imphal College, (3:00pm-7:30pm)
6009534807
9233284826

HL-P/7975/12

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com